# ওর্গানিক লাইভষ্টোক ফার্মিং

– ডা. সরাংথেম জেসমারানি –

ওর্গানিক ফার্মিং হায়বসি অনৌবা লৌউ শিংউগী কাঙলোন অমদি নত্তে। থায়নদগী য়ুমথোং খুদিংদা য়েন-ঙানু, শা-ষণ কয়া লোয়বা চৎনরম্মী। মসিগী মথী-ময়ুং পুম্নমক ইংখোলদা/ লৌবুক্তা হুন্দোক্তুনা নৎত্রগা হৈদোক্তুনা হার ওইনা শীজিন্নৈ। মসিনা অতোপ্পা রসায়নগী পোৎলম কয়া শীজিন্নদে। মসিবুনি ঐখোয়না ওর্গানিক ফার্মিং হায়না খঙনরিবসি। চীংগী মফম অয়াম্বদদি, রসায়নগী পোৎলমশিং অসি শীজিন্নবগী চাং অসুক্কী মতীক নেম্মী। সিক্কিম অমদি অরুনাচল প্রদেশকী মফম অয়াম্বদদি লৌউ শিংউগী থবকশিং অসি ‘ওর্গানিক’ হায়না লাউথোকপসু লৈখ্রবনি। ওর্গানিক ফার্মিংদগী পুথোকপা পোৎলম কয়া মীওইবনা চাবদা অনা-অয়েক্কী চাং হন্থে। নাদ-য়েক্তনা নুংঙাইনা পুন্সি নুংশাংবা ঙম্মী। হৌজিক্কী মতমদদি মীশিং হেনগৎলকপা লৌউ-শিংউবা, ইংখোল কোয়দুনা মনা-মশিং থাবগী চাং অসি অসুক্কী মতীক হন্থখ্রে। অদুবু পোত্থোক্তি হেন্না পুথোকপা মথৌ তাবনা রসায়নগী হার কয়া শীজিন্নরি। মসিনা লৈবাক লৈহাওদা অকায়বা পীবতা নত্তনা অকোয়বগী ফীভমদসু অহোংবা কয়া লাকহল্লি। মীওইবা অমদি থৱায় পানবা খুদিংমক্তা লায়না মখল কয়া পোকহন্দুনা শীবগী চাংসু নোংম-নোংমগী হেনগৎহল্লক্লি। মরম অসিনা ঐখোয়না ‘ওর্গানিক ফার্মিং’দা মায় ওনশিনবা হায়বসি হৌজিক্কী মতম অসিদদি য়াম্নমক তঙাইফদবা অমা ওইরক্লি।

‘ওর্গানিক ফার্মিং’ হায়বসি সিষ্টেম অমনি। মসিদা রসায়নগী পোৎলম খুদিংমক হায়বদি হার, তীলহাৎ হিদাকনচিংবা ময়াম অসি শীজিন্নদনা শা-ষণগী শন্থী-শনয়ুং অমসুং মনা-মশিং পৎথ-পুমথহন্দুনা শেম্বা হার শীজিন্নবদুবুনি। অমরোমদনা লাইভ ষ্টোক ফার্মিং হায়রগদি ঐখোয়না মশা চান্নবা, মরুম চান্নবা, শঙ্গোম অমদি অতৈ পোত্থোকশিং পুথোরক্লিবা শা-ষণ, য়েন-ঙানু, ওকনচিংবা কয়া অসি লোয়বা অসিবুনি। ওর্গানিক লাইভষ্টোক লোমদা লোয়গদবা শা-ষণ ময়াম অসি লোয়বা মতমদা লৈগদৌরিবা মকোনশিংদু য়াম্না পীকপা/চীনবা ওইরোইদবনি অমদি নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়বা মফমদা লোয়বীগদবনি। মচিঞ্জাক পীজবা মতমদসু ওর্গানিক ওইনা পুথোক্লবা মচিঞ্জাক ওইগনি। মসিদা হোর্মোন, এন্টি-বাইওথেটিক, তীলহাৎ হিদাকনচিংবা কয়াসি য়ারিবমখৈ শীজিন্নদনা মহৌশাদগী লৈজরক্লবা হিদাকশিং- হার্বেল, অয়ুরবেদিক্কী হিদাকশিং য়ারিবমখৈ শীজিন্নবিগদবনি। ওর্গানিক লাইভষ্টোক ফার্মিং তৌবা মতমদা জিন মেন্যুপুলেসন তৌবা য়াদে। ওর্গানিক লাইভষ্টোক ফার্মিংগীদমক শা-ষণ খুদিংমক ওর্গানিক ওইগদৌরিবা মফমদুদা পোকপা/চাওনবা য়োকপা ওইগনি হায়বদি মফমদুগী অইং অশাগী ফীভমগা চান্ননা লৈবা ঙম্বা ওইগনি। অদুবু করিগুম্বা ওর্গানিক ওইবা শা-ষণ লৈত্রগদি শা-ষণ খুদিংমক ওর্গানিক লোমদা কনভর্সন তৌনবা করম্বা মতমদা পুশিল্লক্কদগে হায়বদুসু মখাদা থমজরি :

- য়েন, ঙানু মশা চানবগী ওইরগদি নুমিৎ নীনি শুবা মতমদা ওইগনি।
- য়েন, ঙানু মরূম চানবা ওইরগনা হাপ্তা ১০দগী ওর্গানিক লোমদা ওনশিন্দুনা য়োকপীগনি।
- ওক ওইরগনা মখোম খায়বা মতুং হাপ্তা অহুম শুরকপদগী ওর্গানিকলোমদা লোয়বীগনি।
- ষণনাও ওইরগনা হাপ্তা মরিশুবা মতমদগী ওর্গানিক লোমদা লোয়বীগনি।

**ওর্গানিক লাইভষ্টোক ফার্মিং করম্না পায়খৎকনি ?**

- শীজিন্নগদৌরিবা লম খুদিংমক হান্না শীজিন্নরম্বা মওংদগী হোংদোক্তুনা ওর্গানিকলোমদা ওনশিন্দুনা শেম্বীগনি।
- ফার্মদা তৌগদবা হীরম খুদিংমক খুদম ওইনা হায়রবদা মচিঞ্জাক পীজবগী, পীজরিবা মচিঞ্জাক হীদাক লাংথকশিং শা-ষণশিং য়োক্লিবগী চাং খুদিংমক রেকোর্দ থম্বীগনি।
- ওর্গানিক ওইনা থমগদৌরিবা শা-ষণ, য়েন-ঙানু খুদিংমক মখোয়বু থমগদৌরিবা জগা অমদি অকোয়বগী ফীভমদুনা লায়না লৈবা ঙম্বা ওইগনি।
- লাইভষ্টোকশিংনা মখল মখা কয়াগী ওইবা মওংদা লৈরিবসি নীংথিনা শেন্নবীদুনা তুংকোয়না লৈনবা হোৎনবীগনি।
- শা-ষণ, য়েন-ঙানু খুদিংমক মখোয়গী অকোয়বগী ফীভম য়েংলগা মশাগী হান্নগী মওংদা মনীং তম্না মশা মউ ফনা লৈহন্নবা হোৎনবীগনি।
- শা-ষণ খুদিংমক ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা লাক্লবা মখোয়না পীজরিবা মচিঞ্জাক খুদিংমক ওর্গানিক ওইনা থাবা ওইগনি অমদি মখোয়দগী ফংবা ষন্থি, ষণয়ুং অমদি অতোপ্পা অরেম্বা মনা মশিং, শজিক/মচিঞ্জাক্লচিংবা ময়ামসি পুমথহল্লগা রিসাইকল তৌদুনা ওর্গানিক লাইভষ্টোক ফার্মিংদা অচৌবা থৌদাং লৌহনগনি।
- শা-ষণনা চানবা মচিঞ্জাকশিং থাবা মতমদা তীলশিং অমদি নাপীশিংবু হীদাক শীজিন্নদুনা মাঙহনবগী মহুত্তা বাইওলোজিকেল কন্ত্রোল শীজিন্নবীগনি।
- ওর্গানিক ওইনা থম্বীগদৌরিবা লাইভষ্টোকশিংগী চাদা নাওদা খুদিংমক ওর্গানিক লোমদা লোয়বীগে হায়রগদি লোয়গদৌরিবা অদু লোকল কন্দিসনদা হিংবা ঙমগদবা খক্তমক লোয়বীগনি।
- শা-ষণ, য়েন-ঙানু খুদিংমক পুথোক পুশিন তৌবা মতমদা মশা ৱাহনবা/চোকথহনবা তৌবীরোইদবনি।
- অশেংবা নুংশিৎ, নুংশা, মঙাল নীংথিনা ফংবা মফমদা থম্বীগনি। মসিদা নত্তনা থক্লনবা অফবা ঈশিংদু মরাং কায়না থম্বীগনি।
- মখোয়গী কুনফম, পোত্থাফম মশা মশাগী হৈনবী মওংদা লৈননবা শেম্বীগনি।
- শা-ষণ খুদিংমক্তা মতম মতমগী ওইবা কাপ্তবা য়াদ্রবা টিকা থাদোকপীবা য়াই অদুবু জেনিটিকেল্লি ইঞ্জিনিয়র তৌবা টিকা থাবদি য়াদে।

হান্না লৈরম্বা ফীভমদগী ওর্গানিকলোমদা ওন্থোকপা হায়বসি মতম চঙই। মসি হেক হৌরকপদগী সার্টিফিকেসন ফাওবসিবু কনভর্সনগী মতম হায়না খঙনৈ। মসি য়ামদ্রবদা থা ১২ চঙই। মসিদা তুং কোয়হৌনবা শা-ষণ খুদিংমক্কা মহে মরোং থাগদৌরিবা মফম অদুগা মরী লৈনহনবীগনি।

ওর্গানিক লাইভষ্টোক ফার্মিং তৌবা মতমদা লোয়রিবা লাইভষ্টোক পূম্নমক্তু ওর্গানিক ওইরে হায়বগী সার্টিফিকেট অমা লৈবা দরকার ওই। মদু ফংনবা শা-ষণ লোয়বীরিবশিংনা অদুগুম্বা সার্টিফিকেট পীবা ঙম্বা ওর্গনাইজেসন খুদম ওইনা হায়রবদা ওর্গানিক পার্মরস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া, নেসনল ষ্টেন্দর্দ ওফ ওর্গানিক প্রদক্সন, এগ্রিকলচর এন্দ প্রোসেস ফুদ প্রদক্ট এক্সপোর্ট দিভেলপমেন্ট ওথোরিটি অসিনচিংবশিং অসিগী মখাদা থমজরিবা প্রোসেস অসুম্না তৌবীগনি।

ওর্গানিক সিষ্টেমগী ফোর্ম অমা লৌবীরগা এপ্লিকেসন থাজিনবীগনি

।

থাজিল্লবা তুংদা অহানবা ওইনা কম্মিটিনা রিভিয়ু তৌরবা তুংদা

।

ফিল্ডদা ইন্সপেক্সন লাক্তুনা ফার্মিং তৌরিবা ষণবুশিংগা উনদুনা ৱাহং পাউহং তৌরবা তুংদা

।

ফাইনেল রিভিয়ু তৌবা

ফাইনেল এপ্রুভেল লৌরবা তুংদা সার্টিফিকেসন দিসিজনলোমদা চে চাং পূম্নমক পীশিল্লবা তুংদা

।

সার্টিফিকেট ফংবা

।

চহী চহীগী ওইনা মখা তানা অমুক ইন্সপেক্সন তৌদুনা রিন্যু তৌবা

**ওর্গানিক লাইভ ষ্টোক্কী খুদোংচাবশিং :**

ক) ওর্গানিক ওইনা লোয়রবা শা-ষণগী পোত্থোকশিং অফবা অমদি সেভ ওই। লোয়ননা পোত্থোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমহল্লি।

খ) শা-ষণ খুদিংমক্কী লৈফম-চাফম লূ-নান্না ফংহনবা ঙমহল্লি। মখোয়না চাগদবা মচীঞ্জাক থাবা মতমদা তীলহাৎ হিদাক অমদি রসায়নগী হার শীজিন্নদনা থাবা ঙম্মী।

গ) ওর্গানিক লাইভষ্টোক ফার্মিং তৌরগদি কার্বোনদাইওক্সাইদ পুথোকপগী চাংসু হন্থে।

ঘ) পোত্থোক হেন্না পুথোকহনবা অমদি লৈবাক লৈহাও হেন্না লৈহন্নবা মচি ওইবা ন্যুট্রিয়েন্ট ময়াম অমা শীন-থুংবা ঙমহল্লি। নারকপা মতমদসু এন্টি-বাইওটিক্স অমদি অতোপ্পা হিদাক শীজিন্নদ্রবনিনা অরেম্বদা চাদিং তৌহন্দে।

ঙ) নীংশিংবীগদবা অমনা করিগুম্বা কেমিকেলগী ওইবা হীদাকশিং হায়বদি এন্টিবাইওটিক্সকুম্বা হীদাক শীজিন্নবা তারগদি হীদাক্তুনা হকচাংদগী চৎখিবগী মতম হীদাক্তুনা য়াওজরগা লাকই। মসি শীজিন্নরিবা মতম হায়বদি ৱিথদ্রোএল পেরিওদকী মনুংদা ওইরগদি পুথোরক্লিবা পোৎলম খুদিংমক ওর্গানিক ওইদে হায়রিবা মতমসি লোইখ্রগদি ওর্গানিক ওইনা য়োনবা য়াই।

চ) ওর্গানিক ফার্মিংদা পুথোরক্লিবা পোত্থোক খুদিংমক সাইন্টিফিক অমদি তুং কোয়বা ঙমহল্লি।

**ওর্গানিক লাইভ ষ্টোক ফার্মিংগী খুদোংচাদবশিং :**

ক) অরুবা লায়না অমা লাকপদা এন্টি-বাইওটিকনচিংবা হিদাক শীজিন্নবনা মসিদগী লেমহৌবা মাঙনিংঙাই ওইবা মচাকশিং লৌথোকপদা মতম শাংনা চংই।

খ) শা-ষণ থম্নবগী অহেনবা মফম পীনবা হোৎনবা অসিসু অৱাবা অমা ওইরি।

গ) মখোয়গী পোত্থোকশিংসি কুইনা থম্নবা হোৎনবদা কেমিকেল হায়বদি ট্রাইসোদিয়ম পোলিফোস্ফেট, সোদিয়ম নাইট্রেটনচিংবা শীজিন্নদ্রগদি কুইনা থম্বা য়াদে। মসিনা অমাঙবা অমা ওইহল্লি।

ঘ) ওর্গানিক লাইভষ্টোক্কী ফার্মিং লাকপা মতমসিদা শা-ষণশিংসিনা অচৌবা থৌদাং অমা লৌরি অমদি ওর্গানিক লাইভষ্টোক ফার্মিং তৌরগা পুথোরক্লিবা পোত্থোকশিংসি মমল ৱাংজরগসু হকচাং ফনা লৈবা ঙমহল্লি। অসুম্না ওর্গানিক্কী পোত্থোক পুথোক্লবা পুনশিন লৌউ হায়বদি ঙা-মনা-মশিং-শা-ষণ পূম্নমক লোয়মিন্নদুনা ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা মায় ওনশিনমিন্নরসি। ●

# ঙা য়োক্লিবা মীওইশিংনা মতমগী মতুংইন্না পাঙথোকপীগদৌবা অনৌবা থৌওংশিং

ডো: য়ুম্নাম বেদজিৎ



মতমগী মতুংইন্না হীরম খুদিংমক্তা অহোংবা কয়া লাকপগুম্না ঙা য়োকপীরিবা মীওইশিংনা অহোংবা অমদি অওনবা কয়া পুরকপা মথৌ তাই। অসিগুম্বা অহোংবা কয়া পাঙথোকপীরিবা মীওইশিং অদুনা হান্নগী মওংদা ঙা য়োক্লিবা মীওইশিং অদুদগী অসুক্কী মতিক হেন্না কান্নগনি। অহোংবা/অওনবা পুরকপদা কান্নগদৌবা থৌওং খরা থমজগে।

১) হান্নগী মওংদা য়োক্কদৌরিবা ঙাশিং অদু অমুক্তংদা থাদরগা অমুক্তংদা ফাবগী থৌওং অসি তোকপীরগা অমুক্তংদা থাদরগা মশিং কয়া থোক্লা ফাবা নৎত্রগা খরা ফাদোক্লগা মচা খরা অমুক থাদবা অসুম্না তৌরবদি হান্না পাঙথোক্লম্বা থৌওং অদুদগী অসুক্কী মতিক কান্নবা হেনগনি।

২) কার্পস হায়বদি রৌ, কটলা, ম্রিগল অমদি নাপীচাবীনচিংবা ঙাশিং অসি য়োকপীবা মতমদা খরা চাওরবা মচাশিং য়োকপীরবদি য়োনবা য়াবগী মতম তেনশিনবদা নত্তনা শিবগী চাংসু হন্থবনা মরম ওইদুনা অসুক্কী মতিক কান্নগনি।

৩) হান্না য়োক্লরম্বা ঙাশিং নত্তবা ঙাথোক লৈবা শেন্দোং লৈবা ঙাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা ঙাহৈ, তুংহনবী, ঙামু নৎত্রগা পোরোম্নচিংবা য়োকপীরবদি হান্না য়োক্লরম্বা থৌওংদগী অসুক্কী মতিক হেন্না কান্নগনি।

৪) সেলেক্টিভ ব্রিদিং তৌদুনা পুথোরকপা ঙা মচা য়োকপীরবদি অসুক্কী মতিক কান্নগনি।

৫) লায়না-তিলনা কয়াদগী ঙাকথোক্লবা পুথোরক্লিবা অনৌবা থৌওং কয়া পাঙথোকপসু মথৌ তাই।

৬) অচৌবা ঈশিংশিংদা কেজ নৎত্রগা পোন কলচর পাঙথোকপা অসিসু ঐখোয়গী লৈজরিবা ঈশিং অসিদগী ঙাগী পোত্থোক হেনগৎহন্নবা তঙাইফদনা পাঙথোক্তবা য়াদ্রবা থৌওং অমনি।

৭) হান্না পীজরম্বা মচিঞ্জাক্তগী অনৌবা মখলগী মচিঞ্জাকশিং হায়বদি অরুপ্পা নৎত্রগা অতাওবা মখলগী পেলেটেৎ মচিঞ্জাকশিং পীজবা দরকার লই।

৮) ওর্নামেন্টেল হায়বদি লৈতেংগী ওইবা ঙাশিং য়োকপা নৎত্রগা মুক্তা থাবা য়োকপগী থৌওংশিং পায়খৎপীবা য়াম্না কান্নগনি।

৯) মমল তাঙনা য়োনবা য়াবা অমদি ময়াম্না পাম্নবা ঙাশিং য়োকপীবা য়াম্না কান্নগনি।

১০) শেল য়াম্না চঙদবা মওংদা ঙাগী মচিঞ্জাক শেম্বগী থৌওং পায়খৎপা য়াম্না কান্নগনি।

১১) ঈ-মার্কেটিং তৌদুনা ঙা অমদি ঙাগী পোত্থোকশিং য়োনবা লৈবগী থৌওং পায়খৎপীবা য়াম্না কান্নগনি।

১২) আই এম টি এ, ইন্টিগ্রেটেদ মল্টি ত্রোফিক এক্বাকলচর হায়বদি ঙা খক্তং নত্তনা অতোপ্পা জিবশিং খুদম ওইনা হায়রবদা থরোই, কোংগ্রেং, ৱাইখু, অতোপ্পা তিলশিং, বেক্টেরিয়ানচিংবশিংগা পূন্না য়োকমিন্নদুনা ত্রোফিক লেবেল অমগী কান্নদবাদে পাৎশকশিং অদু অতোপ্পা ত্রোফিক লেভেল অমদা কান্নবা পোৎশক ওন্থোকহন্দুনা য়াম্না কান্নবা থৌওং অমা ওইহল্লি।



১৩) আই পি আর এস হায়বদি ইন পোন্দ রেসরে সিষ্টেম, আর এ এস হায়বদি রি সার্কুলেটরি এক্বাকলচর সিষ্টম, আর এস হায়বদি রেসরে সিষ্টম, কেজ কলচর অমদি বাইওফ্লোকনচিংবা থৌওং কয়াশিং অসি পাঙথোকপীরবদি হান্না য়োক্লরিবা ঙা য়োকপগী থৌওং অসিদগী অসুক্কী মতিক হেন্না কান্নগনি। মথক্তা পঞ্জখ্রিবা ঙা য়োকপগী থৌওংশিং অসিগী মতাংদা মথং অমুক শুগাইনা থমজগে। ●

# Arbuscular Mycorrhiza Fungi (Mukta Power) গী শীজিন্নফম

ডা. ৱাইখোম জিতেন

মালেমসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা অহিংবা জীব মখল কয়া অমনা হৌরিবা পাম্বীশিংগী মচিঞ্জাক ফংহনবদা অচৌবা মতেং পাংই। অসিগুম্বা পাম্বীশিংবু মচিঞ্জাক ফংহনবদা মতেং পাংবা অহিংবা জীবশিং অসিবু পাম্বীশিংগী মচিঞ্জাক ফংহন্নবগীদমক শীজিন্নরবদি বাইওফর্টিলাইজর কৌই। বাইওফর্টিলাইজর ওইনা শীজিন্নবা তোঙান তোঙানবা জীবশিংগী মনুংদা Mycorrhiza কৌবা কোকফাই মখল অসি পাম্বীশিংদা তোঙান তোঙানবা কান্নবা পীবা হিংকুপ (মাইক্রোওর্গানিজম) নি।

Mycorrhiza হায়বসি ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা লৌফমশিংদা ফংবা, হৌরিবা পাম্বীশিংগী মরাদা নপ্পুনা লৈবগা লোয়ননা মখোয় অনীমক অমনা অমগী মতেং পাংনবা কোকফাই মখল অমনি। Mycorrhiza হায়বা ৱাহৈসিগী ৱাহন্থোক্তি কোকফাইগী মরা হায়রগা খঙনগনি। হৌরিবা পাম্বীশিংনা নুংশা মঙালগী মতেংনা শুংলিবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিংদগী কার্বোনগী শরুক খরা কোকফাই মখল অসি হিংহন্নবগীদমক শীজিন্নৈ। অদুগা মহাক্লা চুপখৎলকপা ঈশিং অমসুং পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিংবুনা পাম্বীশিংদুদা পীদুনা মখোয় অনীমক অমনা অমগী মতেং পাংনৈ।

Mycorrhiza হায়রিবসিদা কোকফাইগী মসা মরেংগী শরুক খরা পাম্বীগী মরাগী মনুংদা লুনা চঙবা কাঙলূপ অমসুং পাম্বীগী মরাদা নপ্পগা খক লৈবা হায়না কাঙলূপ অনী থোক্লা লৈ। পাম্বীগী মরা মনুংদা চঙবা কাঙলূপ অসিগী মনুংদা Arbuscular Mycorrhiza Fungi (AMF) কৌবা কোকফাই মখল অসি বাইওফর্টিলাইজর ওইনা মায় পাক্লা শীজিন্নবা হৌরে।

কৈথেলদা ফংলিবা ফর্টিলাইজরশিংগী মনুংদা মুক্তা পাৱর হায়বা হার মখল অসি Arbuscular Mycorrhiza Fungi (AMF) নি। হার মখল অসিনা পৃথিবীদা ফংলিবা অপূনবা পাম্বী মখলগী চাদা ৯০ গুম্বদা কান্নবা পীবা ঙমই। ঐখোয়না থারিবা মহৈ মরোং মখল অয়াম্বদা মুক্তা পাৱর শীজিন্নবা য়াই। অদুবু ঈশিং তুংদুনা লৈবা ফৌ থাবা লৌফমদা মুক্তা পাৱর শীজিন্নবা কান্নে নৎত্রগা কান্নদে হায়বসিদি খরা হেন্না চাংয়েং তৌবা দরকার লৈ। ঈশিং কুইনা তুংদবা ফৌ থাবা লৌফমদদি মুক্তা পাৱর শীজিন্নবনা ফৌগী পোত্থোক হেনগৎহনবখক নত্তনা লৌফম অদু লিশাং শিৎনা লৌ উবা য়াবা মফম অমা ওইহনবদা অচৌবা মতেং পাংই।

Mycorrhiza না পাম্বীশিংবু চাওখৎহনবদা থৌদাং য়ারিবগী মরমশিং :-

১) পাম্বীশিংগী মরানা য়ৌবা ঙমদবা মফমশিং ফাওবা Mycorrhiza গী মসা মরেংশিংনা শন্দোক্তুনা পাম্বীশিংদা অহেনবা মচিঞ্জাক লৌখৎপদা মতেং পাংই।

২) Mycorrhiza না পাম্বীশিংবু চাওখৎহনবা ঙম্বা পোৎলমশিং হৌরিবা পাম্বীগী মরূ/মরাগী অকোয়বদা থাদোরক্তুনা পাম্বীশিংদা কান্নবা পী।

৩) পাম্বীশিংদা নোংজু-নুংশা, ঈকং অমদি লৈবাক্কী অশিন অয়াক্লুম্বনা পীবা চৈথেংশিং থেংনজনবগী পাঙ্গল পী।

৪) পাম্বীশিংদা কান্নবা পীবা ঙম্বা হিংকুপশিং (মাইক্রোওর্গানিজম) গী মশীং হেনগৎহনবদা মতেং পাংবনি।

মহৌশানা ঐখোয়গী অকোয়বদা মরাং কায়না ফংলম্বা Mycorrhiza শিং অসিনা মশীং হন্থহনখিবা অমদি মখোয়না মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপা ঙমদবগী মরূ ওইবা মরমশিং

১) খূৎশেমগী হার কা হেন্না শীজিন্নবা।

২) দরকার লৈবা চাংদগী হেন্না লৌফম অদু হঞ্জিন হঞ্জিন খোইবা।

৩) ফোসফরস য়াওবা হার য়াম্না শীজিন্নবা।

৪) তীলহাৎ হীদাক, কোকফাই হীদাক অমদি নাপী হীদাক য়াম্না শীজিন্নবা।

৫) করিগুম্বা অমা ফাওবা থাদনা লৌফম অদু কুইনা হাঙহন্দুনা থম্বা।

৬) অওন পোত্থাদা পোৎ থারকপদা Mycorrhiza না শৈদাংফম লৌবা ঙমদবা পাম্বী মখলশিং য়াওবা।

Mycorrhiza/Mukta Power না পাম্বীশিংদা পীরিবা কান্নবশিং :-

১) পোত্থোক হেনগৎহনবগা লোয়ননা লোক্লিবা পোৎলমশিং অদু ফজবা মগুন লৈবা ওই।

২) মপান য়াম্না শাহনবগা লোয়ননা মহৈ য়াম্না পালহনবদা মতেং পাংই।

৩) হুনগদৌরিবা মরূ অমদি লিংথোক্কদৌরিবা চারাশিং মশীং য়াম্না হিংহনবদা মতেং পাংই।

৪) পাম্বীশিংনা নুংশা মঙালগী মতেংনা মচিঞ্জাক শুংবদা মতেং পাংই।

৫) Mycorrhiza না পাম্বীশিংগী মচিঞ্জাক ওইনা ফোসফরস, নাইট্রোজেন, জিঙ্ক, আইরন অমদি কোপ্পরনচিংবা চুপখৎপদা মতেং পাংই।

৬) পাম্বীগী মরাদা নপ্পুনা লৈবা Mycorrhiza গী মসা মরেংশিংনা পাম্বীগী মরানা য়ৌবা ঙমদবা মফমশিং ফাওবা শন্দোকখিদুনা পাম্বীনা ফংবা ঙল্লরোইদৌবা ঈশিং অমদি পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং ফংহনবদা মতেং পাংই।

৭) ফোসফরস কুম্বা লৈবাক্তা মফম অমদগী অমদা চৎচবা ঙমদবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং পাম্বীগী মরাগী অকোয়বদা সেন্টিমিটর ১.২ (ইঞ্চি তঙ্খাই) ফাওবগী চাংদগী হেন্না শীজিন্নবা ঙমদ্রবসু Mycorrhiza না মরাদা নপ্লবা পাম্বীশিংনা সেন্টিমিটর ৮ (ইঞ্চি ৩) ফাওবগী মনুংদা লৈবা মফমদগী পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং লৌখৎপা ঙমই।

৮) ক্লাইমেট চেঞ্জ থোকহনবদা অচৌবা থৌদাং য়াবা নাইত্রস ওক্সাইদ হায়বদু লৌফমদগী থাদোকপগী চাং Mycorrhiza শীজিন্নবা লৌফম্না হন্থে।

৯) Mycorrhiza শীজিন্নবা লৌফম্না পাম্বীশিংদা লায়না তাবগী চাং হন্থে।

১০) Mycorrhiza শিং অসিনা পাম্বী অমদি মীওইবগুম্বনা তঙাইফদনা চঙবা মহৌশাদা ফংলিবা পোৎলমশিং মওং অমদগী মওং অমদা ওনবদা (ইলিমেন্ট সর্কল) অচৌবা মতেং পাংই।

মুক্তা পাৱর অসি পাম্বীগী মরূ ওনদ্রিঙৈ নৎত্রগা চারাশিং লিংথোকত্রিঙৈদা লৌফমদা ষন্থি হার নৎত্রগা ভর্মিকম্পোষ্টগুম্বগা তোৎলগা চাইবীগনি। লৌ শঙম অমা লৌখায় খরা হেনবা শম্না লৌরাক মচা অমগী লৌফমদা মুক্তা পাৱর কেজি মরি চাইবীবা মতমদা Mycorrhiza না পাম্বীশিংদা পীবা কান্নবা অদু চপ চানা ফংবা ঙমগনি।

ঐখোয়গী লৌফমশিং লিশাং শিৎনা লৌউবা য়াবা মফম অমা ওইহন্নবগা লোয়ননা মহৌশাগী লৌউ কাঙলোন্দা হঞ্জিল্লকপা য়ানবগীদমক তোঙান তোঙানবা বাইওফর্টিলাইজর শীজিন্নবগী হৈনবী লৈবা চুমই। অসুম্না খূৎশেমগী হার শীজিন্নবগী চাং হন্থনবগীদমক মুক্তা পাৱরগুম্বা বাইওফর্টিলাইজরশিং শীজিন্নবগী হৈনবী লৈবা হৌরসি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।